# RNU, IMPHAL
# MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM
# (Date: 22.6.2024)

**জিরি (এল)ঃ** হৌখিবা মতম খরগী মমাংদা নৌনা ইরাং নংলবা ঙমখৈ জিলা জিরিবামগী শান্তি রক্ষাগী ফিভম তপা তপা ফগৎলক্লি।

মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগী মীৎয়েং মখাদা হন্দক্তা থোকখিবা ইরাংদা মৈ চাকখ্রবা য়ুমশিং নৌনা শাননবা সরকারনা থবক পায়খৎপা হৌরে। পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা য়াই হায়না চিংনবা মফমশিংদা অহেনবা সেকুর‍্যরিতি ফোর্সশিং থমদুনা মীয়ামগী পুন্সি অমসুং লন-থুম ঙাক শেন্নবা থবক লেপ্তুনা পায়খৎলি।

অমরোমদা, নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা জিরিবামলোমদগী গাড়িশিং চংল্লকপদা অয়েৎ অপন খরা লৈরম্বা অদু ৱাখল তামীন্নবদগী হন্দোকখ্রে।

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** রাজ্যপাল-অনুসিয়া উইকেনা ঙসি লমফেলপাৎতা লৈবা ফমুং ৫০ লৈবা ইন্টিগ্রেটেদ আয়ুস হোস্পিতালদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

রাজ্যপালনা মফম অদুদা থুংলবদা আয়ুসকী দিরেক্তর-ডা: অকোইজম লোকেন্দ্রো অমসুং ষ্টাফশিংনা হরাও তয়ামা ওকখি। খোঙচৎ অদুদা রাজ্যপালনা আয়ুস হোস্পিতাল অসিনা অনা-লায়েংগী লমদা লৌরিবা থৌদাংশিংবু থাগৎপা ফোংদোকখি। আয়ুস হোস্পিতাল অসি মতমগা চুন্নবা মওংদা শেমগৎ শাগৎনিংবগী অপাম্বসু রাজ্যপালনা ফোংদোক্লমখি হায়রি।

**প্রোগ্রাম (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী লুৱাংশংবমদা লৈবা কর্মেল-জ্যোতি চিলদ্রেন হোমদা ঙসি এদুকেটরস এদভোকেসি প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ফোরেষ্ট, ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী কঞ্জারভেটর সেন্ত্রেল সার্কলগী স্পিসিএল সেক্রেটরি-আর.কে. অমরজিৎনা হায়-প্লাষ্টিকা মরম ওইদুনা মহৌশাগী খলদা অকিবা ফংনা শোকহল্লক্লিবশিং অসি মীয়াম পুন্না খঙমীন্নবা তঙাইফদ্রে। অসিগুম্বা মীওই খুন্নাইগা অচৌবা শিংনবা অসি হৌরক্লিবা মহৈরোইশিংদা নীংথিনা খঙহন্নবা হোৎনবসু কান্নগনি।

**ওপিদি(এল)ঃ** চান্দেল জিলাদা পুকিং ৱাখলগী লায়না লায়েংবগী থাক ৱাংখৎহন্নবা অমসুং ঙন্না এ.এন.সি. রেজিষ্ট্রেসন তৌননবা থবক লৌখৎপা হৌরে।

জিলা অসিগী চীফ মেদিকেল ওফিসারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল-চান্দেলদা ওবসটেট্রিক্সন এন্দ গাইনিগী মেদিকেল ওফিসার ওইরিবা-ডা: পি.এস. সংঙ্গ্রেহাওবু থা খুদিংগী অনিশুবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা কোমলাথাবীদা লৈবা পি.ঐচ.সিদা ও.পি.দি. হাংদুনা য়েংননবা থৌরাং তৌরে।

**খুৎলাই (এল)ঃ** অককবা পাউ অমা ফংবদগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং ৩৩ শুবা অসাম রাইফলসকী অপুনবা কাংবুনা ৱাইথৌ চিংখোং এরিয়াদা ঙসি অয়ুক থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎলে।

ফাগৎলবা খুৎশু খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা-মেগজিন য়াওবা এস.এম.জি. করবাইন অমা, সিঙ্গল বেরেল অমা, বোল্ট এক্সন রাইফল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ মরি, আমেরিকানা শাবা সিক্স রাউন্দ রিভোলভর অমা, মোটার সেল মরি, ৱয়ারলেস সেট অমা, আই.ই.দি. অমা, স্মোগ সেল অনি, স্মোগ গ্রেনেদ অনি, এস.এম.আরগী মেগজিন অমা অমসুং এসোল্ট রাইফলগী মেগজিন অমা য়াওরি। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদু মখা তাবা আইনগী থবক লৌখৎনবগীদমক লিলোং পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

**শিরোই (এল)ঃ** মহৌশাগী খল কায়থরকপদগী উখ্রুলগী শিরুই চীংদা হৌবা শিরুই লিলিগী চাউবগী চাং অমসুং হৌবগী চাং হন্থরক্লি।

আই.সি.এ.আর-কে.ভি.কে. উখ্রুলদা সবজেক্ট মেটর স্পিসিএলিষ্ট ওইনা লৈরিবী-য়িরমৈলা ভি. জিমিক সরিয়োগা ঐখোয়গী উখ্রুল পাউমী-সোথিং সিমরেগা অখন্ননা উন্নবা অমদা শ্রীমতি জিমিকনা হায়-শিরুই লিলি অসি মহৌশানা অইংবা মফমদা হেন্না হৈনবা লৈ মখল অমনি। অদুবু, শাবগী চাং হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা লৈ মখল অসি শিরুই চীংদা হৌবগী চাং য়ামা হন্থরে। মসিগী মথক্তা শাৎলিবা লৈ অদুসু হান্নদগী চাউবগী চাং হন্থনা শাৎলে।

মহাকা হায়-মহৌশাগী খল কায়থরক্লিবা অসি লাকশিন্নবা হোৎনবদা অচৌবা অৱাবা অমা ওইবা মরমনা শিরুই লিলিবু হান্নগুমা মপুং ফানা শাৎহন্নবগীদমক ওর্গানিক ওইবা হারশিং শিজিন্নদুনা মফম অসিগী লৈবাক-লৈহাও ফগৎহল্লবদি লৈ মখল অসি হান্নগুমা নিংথিনা শাৎপা ঙম্লবা য়াই।

**এৱারনেস ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতি অমসুং প্রোজেক্ট জি. ফাউন্দেসননা পুন্না শিনদুনা আইনগী লমদা মীয়ামবু ৱাখল তাহনবগী থৌরম অমা ঙসি পিতম্বারা ইংলিস স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা অখঙ অহৈশিংনা পোক্সো এক্ট, জে.জে. এক্ট অমসং অঙাংশিংগা মরী লৈনবা অতৈ আইনশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা মহৈরোই ৮০০ রোমনা শরুক য়াখি হায়রি।

**উখ্রুল (এল)ঃ** উখ্রুলদা লৈবা সেন্ট জোসেপ কলেজকী মহৈরোইশিংনা ঙসি উখ্রুল টাউন্দদা লম তুম শেংবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। লম-তু শেংবগী থৌরম মহৈরোইশিংগী নুমিৎ তরেৎনি চথবা এন.এস.এস. স্পিসিএল কেম্প অমসুং নুমিৎ তরানি চথবা এন.সি.সি. ইন্সটিট্যুসনেল ট্রেন্নিং প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবনি। মদুদা, মহৈরোই ৫০ না শরুক য়াখি।

**কুমওন (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনা য়ামা মরুওইবা নুপা লুপ অমা ওইরিবা-অপুনবা নুপী লুপ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ১৯ শুবা ফাউন্দেসন ডে ঙসি বিষ্ণুপুরগী কিয়াম্বা শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা নুপী লুপশিংগী লুচিংবশিং শরুক য়াখি।

**চেস ঃ** তেরা সাপম লৈরক্তা লৈবা জ্বিনাইল ক্লবনা শিনদুনা তরুকশুবা খুরাইজম রামনরায়ন শাস্ত্রি মেমোরিএল ষ্টেট লেবেল ওপন চেস টুর্নামেন্ট-২০২৪, থা অসিগী ২৬ তগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়রি। টুর্নামেন্ট অসি মনিপুর চেস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোক্কদবনি। অকুপ্পা মরোল এসোসিয়েসন অসিদগী খঙলবা য়াগনি।

**চান্দেল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন-চান্দেলনা ঙসিদগী জিলা অসিদা ব্লু ক্লবস হৌদোকখ্রে। ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা ২০৪৭ ফাওবগী মনুংদা অফবা ফুটবোলগী শান্নরোইশিং পুথোকবগীদমক চহি মরিদগী ১২ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংবু গ্রাস রুটতগী শেমগৎনবা ব্লু ক্লবস অসি হৌদোকখিবনি। জিলা অসিগী মনুংদা লৈবা থব্রায় য়াওবা অঙাংশিংনা থা অসিগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম পীশিল্লকবা দি.এস.এ. চান্দেলগী চেরোল অমদা হায়রি।

**ফুটবোল ঃ** দি.এস.এ. ককচিংনা শিনদুনা চত্থরকপা ২১ শুবা কে.এস.ঐচ. লৈহাউ দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন অমসুং ২০ শুবা কে.কে. মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ অনিমক নোং চিংগী ফিভম ফত্তবনা মরম ওইদুনা মতম কক্তনা য়েথোক্লে হায়রি।

**কাং ঃ** অহানবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা মেমোরিএল লিগ কম নোকআউট কেন্দ্রৱাইজ কাং টুর্নামেন্ট ২০২৪ গা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়াইস্কুল কেন্দ্র কাংখুৎনা কৈশামথোং কেন্দ্র কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৫-১২ দা থোইখ্রে। হয়েং ওইনাম কেন্দ্র কাংখুৎ অমসুং থাংমৈবন্দ কেন্দ্র কাংখুৎ শান্নগনি।

**মোদি ঃ** ভারত অমসুং বঙ্গলাদেসনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা তেংবাংনবা হেনগৎহন্নবা য়ান্ন-চেশিং সহি তৌনখ্রে, হান্নদগী চৎনদুনা লাক্লিবা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম.ও.য়ূ) খরসু নৌনা য়েংশিনখ্রে।

সহি তৌনখিবা য়ান্ন-চেশিং অদুগী মনুংদা দিজিটেল গ্রীন পার্টনরসিপ, সমুদ্রগী লমদা তেংবাং পীনবা, ব্লু ইকোনোমি, হেলথ এন্দ মেদিসিন, স্পেস কোলাবোরেসন, রেলৱে কন্নেক্তিভিতি, ওসিনোগ্রাফি, দিজাস্তর মেনেজমেন্ট অমসুং ফিসরিজনচিংবা য়াওরি। য়ান্ন-চেশিং অদু ন্যু দিল্লিগী হায়দ্রবাদ হাউসতা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি অমসুং বঙ্গলাদেসকী প্রধান মন্ত্রি-সৈখ হসিনা অনিগী মরক্তা ৱারী শান্নরবা মতুংদা য়ান্ন-চেশিং অদু সহি তৌনখিবনি।

**এনটিএঃ** কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রালয়না, নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সি (এন.টি.এ) না লৌবা পরিক্ষাশিং নিয়ম চুমা পাঙথোকপা ঙমবগীদমক য়েংশিন্ননবা অৱাংবা থাক্কী এক্সপার্টশিংগী কমিতি অমা শেমখ্রে। মীওই তরেৎনা শাবা কমিতিশিং অসি হান্নগী ইসরোগী চেয়ারমেন-ডা: কে. রাধাকৃষ্ণননা লুচিংলি।

কমিতি অসিনা কুপা য়েংশিল্লবা মতুংদা পরিক্ষাশিং পাঙথোকপদা পামদবা থৌদোকশিং য়ারিবমখৈ থোকহন্দনবা অমসুং হান্নদগী হেন্না চেকশিননা পাঙথোকপা য়াননবা ৱাফমশিং প্রস্তাব তৌগনি। এন.টি.এনা পরিক্ষাশিং পাঙথোকপা মতমদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংসু কমিতি অসিনা হন্না য়েংশিনগনি। কমিতি অসিগী রিপোর্ট থা অনিগী মনুংদা পীখৎকনি। কমিতি অসিদা এমইস দিল্লিগী হান্নগী দিরেক্তর-ডা: রনদিপ গুলেরিয়া, হায়দ্রবাদকী

সেন্ট্রেল য়ুনিভরসিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসার-বি.জে. রাও, আই.আই.টি. মদ্রাসগী প্রোফেসার-ইমেরিটরস অমসুং আই.আই.টি. দিল্লিগী দিন ওফ ষ্টুদেন্ট এফিয়ার্স-প্রোফেসার অদিত্যয়া মিতলনচিংবা য়াওরি।

**লোকঃ ১৮** শুবা লোক সভাগী অহানবা মীফম নিংথৌকাবা নুমিৎতা হৌরগনি। মীফম মনুংদা নৌনা কারক্লবা সদস্যশিংবু ৱাশক লৌগনি। প্রোটেম স্পিকর ওইনা খনখ্রবা বি.জে.পি. লুচিংবা বারত্রুহারি মহাতবনা নৌনা কারক্লবা লোক সভাগী সদস্যশিংবু ৱাশক লৌগনি।

লোক সভাগী অধ্যক্ষগী মীখল থা অসিগী ২৬ তা পাঙথোক্কনি। থা অসিগী ২৭ তা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী অপুনবা মীফমদা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা ৱা ঙাংগনি। রাজ্য সভাগী মীফমসু নুমিৎ অসিদগী হৌগনি। সংসদকী মীফম অসি মথং থাগী অহুমদা লোয়শিনগনি।

**মেলা ঃ** অসামদা মমিং লৈরবা অবুবাচি মেলা ঙসিদগী কমাখ্যা টেম্পলদা হৌখ্রে। মেলা অসি থা অসিগী ২৬ তা লোয়শিনগনি। মেলা অসিগীদমক তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী ভক্তা চা কয়ানা লাকরি।

মচা লৈতবশিংনা মচা ফংননবা অমসুং নুপীগা মরী লৈনবা লম কয়াদা থৌজাল ফংননবগীদমক মেলা অসি চহি খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মেলা অসিগীদমক মশিং য়াম্লবা মীয়ামনা লাক্লিবা অসিগী য়েংলগা কামরুপ মেট্রো দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলে।

**কোর্ট ঃ** মী ললোনবা অমসুং ফোর্স সাইবর ফ্রোর্দ কেসকা মরী লৈননা মপান লৈবাক্কী মীওই অনি য়াওনা মীওই ৫ গী মথক্তা এন.আই.এগী স্পিসিয়েল কোর্টতা চার্জ সিট থাংগৎখ্রে। চার্জসিট অদুদা এন.আই.এ স্পেসিয়েল কোর্ট মুম্বাইনা তোঙান তোঙানবা কেস কয়াদা মপান লৈবাক্কী মীওই কয়া চেন্নবগী

ৱাফম ফোংদোক্লি। পাউ অসিগী মতুংইন্না মখোয়না কম্প্যুটর শিজিন্নবা হৈবা অমসুং ইংরাজি লোল খঙবা ভারতকী নহাশিংবু কোল সেন্তরশিংদা থবক পীগনি হায়না থাজবা পীদুনা পুরগা লল্লোনবগী থবক অসি চথবনি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা-মন কি বাট থা অসিগী ৩০ দা অকাশবানিগী থোংদা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি শ্রী মোদিনা অহুমলক শুবা ওইনা লৈবাক অসিগী প্রধান মন্ত্রি ওইরবা মতুংদা অহানবা ওইনা শন্দোক্কদবা থৌরমনি। হন্দক্কী অসিনা শ্রী মোদিগী মন-কি-বাটকী ১১১ শুবা তাঙ্ককনি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা সোসিএল মিদিয়াদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা থৌরম অসিদা শরুক য়ানবগীদমক মীয়ামনা টোল ফ্রি নম্বর ১৮০০-১১-৭৮-০০ দা ফোন তৌরক্তুনা ৱাখল্লোন অমসুং সজেসন চৎলিবা থা অসিগী ২৮ ফাওবদা পীরকবা হায়রি। মসিগা লোয়ননা মীয়ামনা নরেন্দ্র মোদি এপ নৎত্রগনা মাই গোভ ওপন ফোরমদসু পীশিল্লকপা য়াগনি হায়না ফোংদোক্লি।। মন কি বাট থৌরম অসি অকাশবানি অমদি দুরর্দশনগী চেন্নেল খুদিংমক্তা তাবা ফংগনি।